**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-04-2025)**

**অমিত** ঃ গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-মনিপুরগী ইরাং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং অথুবা মতমদা দিল্লিদা অরোইবা তাঙ্কক্কী ৱারী শান্নরগনি।

রাজ্য সভাদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়-মনিপুরদা রাজ্য সরকার লৈহন্দনবা কেন্দ্রনা রাস্ত্রপতি সাসন থমখিবা নত্তে। মনিপুরদা নোংমা ফাওবা কেন্দ্রনা রাস্ত্রপতি সাসন থমনিংবা লৈতে। মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১ দা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখিবদগী দল অমত্তনা সরকার শেমগে হায়না দাবী তৌরকখিদে। ফিভম অসি য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন থমবা ৱারেপ লৌখিবনি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা কংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা নুমিৎ ২২৫ কার্ফিয়ু থমখি, মীওই লিশিং ১,৫০০ এনকাউন্টরদা শিখি। মহাকা হায়-মনিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা কেন্দ্রনা কাংলুপ অনিগী মীওইশিংগা ১৩ রক ৱারী শান্নখ্রে। বজেট মীফম চথুরিঙৈদসু অনিরক হন্না ৱারী শান্নখি। অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ওইনা দিল্লিদা কাংলুপ অনিগী মীওইশিংগা অথুবা মতমদা ৱারী শান্নরগনি।

**প্লাষ্টিক(এল)ঃ** অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং অসিনা লৈবাক অসিদা মোৎশিলহনবগী চাং হেনগৎরক্লিবা অসি হস্তহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা কন্সলটেটিব ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ড অমসুং রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা পুন্না শিনদুনা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট রুলস ২০১৬ কী মতাংদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং থা অসিগী ১৫ দগী পুম্নমথিং থিংনবা ৱাফম খন্নখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট ইনভাহরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহানা হায়-সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামনা নীংথিনা শৌগৎপা অমসুং ভাব তামীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা অকোইবগী ফিভমদা মোৎশিল্লকপগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবদা মেদিয়াগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইনর্ফোমেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) গী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা হায়-দি.আই.পি.আরনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা নীংথিনা পাউ ইবা পাউমীশিংদা মনা পীদুনা লাক্লি। মনাশিং অসিগী মথক্তা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট অমদি লু-নানবগী মতাংদা নীংথিনা পাউ ইবা পাউমীশিংদসু মনা অমা লান্থোকপা য়াগদ্রা হায়বদু খন্নরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মহুদকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-আর.কে. দিনেস, মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু. রোসন, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-ডা: তৌরাংবম ব্রাজকুমার শরুক য়াখি।

**এপ (এল)ঃ** অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং নীংথিনা লোয়শিনদনবনা মরম ওইদুনা মোৎশিল্লক্লিবা কয়া অসি হন্থহন্নবগী পান্দমদা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক পাব্লিক গ্রীভান্স এপকী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবা

মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা থবক পায়খৎপা হৌরে। মসি এপ অসিগী মতাংদা বোর্ডনা শিনদুনা মমাং থাগী তরেৎতা পাঙথোকখিবা অনিশুবা ইন্টর দিপার্টমেন্টেল কো-ওর্দিনেসনগী মীফম অমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

এপ অসি হান্ননা সেন্ট্রেল পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা হৌদোকখিবনি। লৈবাক অসিদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং থিংনবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মংলান অদু মংফাওনহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** কালেন থা চংল্লকপগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থকবা ঈশিং ফংনদবগী অৱাবা কয়া মায়োকরি। অদুমওইনমক, উখ্রুল জিলাগী লুংহর ভিলেজতা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইটেম চেঞ্জনাস্প্রিং সেট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপদগী থকবা ঈশিং ফংনদবগী অৱাবা নীংথিনা কোকহনবা ঙমলে হায়রি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি স্প্রিং সেট মেনেজমেন্ট ইন দা হিমালায়া প্রোজেক্টকী মখাদা অতৈ এজেন্সিশিংগা খুৎশমরগা দাইরেক্তোরেটনা মফম অদুদা পায়খৎপনি।

প্রোজেক্ট অসি চিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরুওইনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট অমনি। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়- প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপদগী খুঙ্গং অদ্দা লৈরিবা মীয়ামগী থকবা ঈশিং অমসুং অতৈ হীরমদা শিজিন্ননবা ঈশিংগী অৱাবা নীংথিনা হন্থহনবা ঙমলে। হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লদুনা খুঞ্জা অমনা অসুমা হায়-

**মিদ (এল)ঃ** মিদ দে মিল স্কিম হায়রগা হেন্না খঙনবা প্রধান মন্ত্রি পোসানগী থবক থৌরম থৌবাল জিলাদা নীংথিনা অমদি নিয়ম চুমা পায়খৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিনবা হৌরে।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি

কন্মিস্নার-অহন্থোম সুভাসনা হায়-রাজ্য অসিগী মহৈ তম্ফমশঙশিংদা স্কিম অসি নীংথিনা পায়খৎলিবা হায়বদ্ য়েংশিন্নবা থৌবাল জিলাগী ওইনা ওফিসিএল ২১ না শাবা মোনিটরিং কমিতি অমা শেমদুনা য়েংশিনবা হৌরে। কমিতি অদুদা থাগৎলকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না জিলা অদুগী মহৈ তম্ফমশঙ খরদা চৎতুনা য়েংশিনবদা মহৈরোইদি লৈতনা মিদ ডে মিলগী স্কিম নীংথিনা চত্থরি হায়না রিপোর্ট পীখৎলকপা থেংনরে হায়রি। অসিগুম্বা মহৈ তম্ফমশঙশিং কনাগুম্বনা থেংনরবদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাউ পীরকবসু দিপ্যুতি কন্মিস্নারনা আপিল তৌরি।

**অমেস্কো (এল)ঃ** ওল মনিপুর এথনিকেল সোসিএল কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) না লেপ্তুনা চত্থরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খাবৈশোই য়ুথ লাইব্রেরী স্পোর্টস এসোসিয়েসনগা খুৎশমরগা শজিবু খুদোল তম্বা, ঈগী খোঙ্গুল লীবগী থৌরম খাবৈশোই কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মখা তানা কাংপোকপী অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** জ্বিনাইল জষ্টিসকী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান দমদা ইন্দিজিনস ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন ফাউন্দেসননা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটকা খুৎশমরগা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা তমেংলোং বেপতিস চর্চ কমপ্লেক্সতা লৈবা য়ুথ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অঙাংশিংগী আইনগী মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**কমিতি(এল)ঃ** জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুরি ৱার ১৮৯১, মারটিয়ারস এন দ ফ্রিদম ফাইটরস ওফ কংলৈপাক অনিনা শিনদুনা ১৩৪ রক শুবা এঙ্গলো

মনিপুরি লানজাউ-১৮৯১ থৌবাল অথোকপমগী লানফমবু নীংশিংবগী থৌরম এপ্রিল তরুক্কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা থৌবাল অথোকপমগী কৌবিলিয়া মখোঙ লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

**কেম্প(এল)ঃ** বাবিনা হোস্পিতালনা পামেল ফাউন্দেসনগা খুৎশমরগা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা হেলথ কেম্প অমা ঙরাংদগী বাবিনা হোস্পিতালদা হৌখ্রে।

কেম্প অদু নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক পুং ১০ দগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং অমা ফাওবা চথগনি হায়রি। কেম্প অদুগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা গাইনেকোলোজি, জেনরেল মেদিসিন, ই.এন.টি., জেনরেল সর্জরি, পেদিয়াত্রিক্স, ন্যুরোলোজি অমদি কারদিওফোরাসিক এন্দ ভাসকুলর সর্জরিগা মরী লৈনবা অনাবা মীওই ১৫০ লায়েংখি।

**মৈ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদকী ওফিসিএলশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্ববগী থবক চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা ১৮ ফাগৎখ্রে। লোয়ননা অতোপ্পা কঞ্জুমর ১৮ গী মৈ ককথৎখ্রে। কঞ্জুমর অমগী মথক্তা এফ.আই.আর. পান্দুনা মখা তানা আইনগী থবক লৌখৎনবা হোৎনরি। মখা তানা মৈ লান্না শিজিন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক চথখিগনি হায়রি।

**ঈশিং (এল)ঃ** চিংঙা ইনটেক্তা চিংখৎনবা ঈশিং লৈতবনা মরম ওইদুনা চিংঙা ৱাটর ত্রিটমেন্টনা প্লাননা কোনবা মফমশিংদা লৈবা কঞ্জুমরশিংদা মতম খরগী ওইনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি।

অমরোমদা, শিংজমৈ ৱার্ড নম্বর সভেনটিনগী ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লাননা কোনবা মফমশিংদা লৈবা কঞ্জুমরশিংদসু মতম খরগী ওইনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি। মসি, পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

**ওবিৎ (এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ডা: খাশিম রুইভানা লৈখিদবদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমা ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিস, থম্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দলগী প্রসিদেন্ট-এ.সরদা দেবী, দলগী ৱাঙাংলোইশিং, কর্মিশিং, মোর্চাগী প্রসিদেন্টশিং অমদি দলগী র্কয়াকরতাশিং শরুক য়াখি।

মহাকা লৈখিদবদা ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খি।

**ৱাকফ** ঃ সংসদতা ঙসি রাজ্য সভাগী অয়াবগা লোয়ননা ৱাকফ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা ৱাকফগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা শিন লাংবগা লোয়ননা হেন্না খুমাং চাওশিনহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। বিল অসি পুথোরকপা মতমদা অপ্পর হাউসতা সদস্য ১২৮ না বিল অসি শৌগৎখি, অদুগা সদস্য ৯৫ না বিল অসিগী মায়োক্তা ভোৎ পীখি। রাজ্য সভাদা বিল অসিগী মতাংদা পুং ১২ রোম চুপা খন্ন-নৈনখি।

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ অসি মরুওইনা ৱাকফগী লৈরিবা লন থুম নিংথিনা শেন্নবা য়াওনা বোর্দ অসিনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাওশিনবদা মীৎয়েং থল্লি। মসিগীসু মথক্তা বিল অসিগী মনুং চন্না হেরিতেজ সাইট ঙাক শেনবা অমদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং হেন্না পায়খৎনবগী কাংলোনশিং য়াওরি। বিল অসিগী মনুং চন্না মুসলিম নুপীশিং, মরুওইনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা অমদি খাইনদুনা লৈরবা নুপীশিংগী শেনমিৎলোন অমসুং পুন্সি মহিং ফগৎহনবসু য়াওরি। লোয়ননা ৱাকফগী থবক থৌরমশিং হেন্না মশক থোকা পাঙথোকবা মুসলিমশিংগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনদা লৈরিবা মীওই কয়াসু ৱারেপ লৌবদা য়াওহন্নবা পান্দম থল্লি।

বিল অসিগী মতাংদা খন্নবদা মাইনোরিতিজ এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- বিল অসিনা লাইরবা মুসলিম মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া পীবতা নত্তনা কনাগুম্বা মুসলিম অমত্তবু তুহৎপীবগী ৱাফম লৈররোই। মহাকা হায়- নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা সবকা সাথ, সবকা বিকাশ হায়বসিদা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরি। মসিদা সরকার অসিনা কনাগুম্বা ফুরুপ-কাংলুপ অমত্তবু হন্থনা য়েংবা লৈতে।

**সংসদঃ** সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা চহি অসিগী জানৱারী ৩১ দগী চথরকখিবা সংসদকী বজেট মীফম লোয়শিনখ্রে।

মীফম লোয়শিনবগী ৱারোল পীরদুনা লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়-হন্দক্কী বজেট মীফম অসি চাউনা মায় পাকখিবা মীফম অমনি। মীফম মনুংদা লোক সভাদা বিল ১৬ পাস তৌখি। মদুগী মমাংদা, পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়-রাজ্য সভাদা ৱাকফ বোর্ড (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ গী মতাংদা পুং ১৭ চুপা খন্নখি। মসি সভাগী মীফমগী ইতিহাসতা অহানবনি। বিল অদুগী মতাংদা লোক সভাদসু পুং ১৪ চুপা খন্নখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.ডল্লিয়ু.সি. লাংথাবালনা য়ু.সি.সি. উরিপোকপু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, রেজ নাগামপালনা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দবু রন-১০৯ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে

ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ফোর্স ডব্লিয়ু. ক্ষেত্রিগাউনা পি.এস.সি.ডব্লিয়ু-খুয়াথোংবু ৱিকেট ১০ দা থোহখ্রে।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর টৌইন্তি থ্রি-হাওবম বিরমঙ্গোল মেমোরিএল ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী লিগ মেটচতা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা ওল আমিন লিলোংবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রাউ খুমন বজারনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেলবু রন-৩৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিপ এদলটস এসোসিয়েসননা ইলিট এফ.এবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ননা মিলন এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৫ শুবা লোক্তাক ত্রোফি, অন্দর সভেন্টিন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-তাইদা থৌবালনা আর.এফ.সি.সি. কৈনৌবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।